## কোসেমনা অঙ্গর স্ক্রিপ্ট ইভালুএসনগী সবজেক্ট ৱাইজ গ্রুপ দিস্কসন সেসন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএনএস) : কোসেমগী সেক্রেটরিনা ঙরাং থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন, ২০২৩গী ওইনা অন্সর স্ক্রিপ্টশিংগী ইভালুএসনগী মতাংদা সবজেক্ট ৱাইজ গ্রুপ দিস্কসন সেসন অমা মথং থাগী ৬কী অয়ূক পুং ১০ তারকপদা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

দিস্কসন সেসন পাঙথোক্কদবা সবজেক্টশিংনা হিন্দি (এম আই এল), বেঙ্গলি (এম আই এল) মিজো (এম আই এল), নেপালি (এম আই এল), পাইতে (এম আই এল), মার (এম আই এল), তাঙ্খুল (এম আই এল), থাদৌ কুকি (এম আই এল), জৌ (এম আই এল), বাইফে (এম আই এল), কোম (এম আই এল), রুৱাংমৈ (এম আই এল), মাও-লা (এম আই এল), গাংতে (এম আই এল), লিয়াংমাই (এম আই এল), অলটনেটিভ ইংলিস, ইলেক্টিভ মণিপুরী, ইলেক্টিভ ইংলিস, ইলেক্টিভ হিন্দি, ইলেক্টিভ বেঙ্গলি, হিষ্ট্রি, জিওগ্রাফি, ইকনমিক্স, পোলিটিকেল সাইন্স, ফিলোজোফি, এদ্যুকেসন, সোসিওলোজি, সাইকোলোজি, ম্যুজিক, হেল্থ এন্দ ফিজিকেল এদ্যুকেসন, ফিজিক্স, বাইওলোজি, জিওলোজি, এন্থ্রোপোলোজি, হ্যুমেন ইকোলোজি এন্দ ফেমিলি সাইন্সেস, মেথমেটিক্স, বিজিনেস ষ্টদিজ একাউন্টেন্সি, ষ্টেটেটিক্স, কম্প্যুটর সাইন্স, ইঞ্জিনিয়ারিং, দ্রোয়িং, থাঙ-তা অমসুং ফাইন আর্টসনি হায়রি। মসিদা মরী লৈনবা এগজামিনর পূম্নমক্না শরুক য়াগদবনি হায়রি।

## মোবেদকী কন্ট্রেক্টর/ফার্মশিংগী রিন্যুৱেল

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর মাইনোরিটিজ এন্দ ও বি সী ইকোনোমিক্স দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (মোবেদস) কী চীফ ইঞ্জিনিয়র এস ধনবিরনা ঙসি থোকখিবা নোটিস অমগী মতুংইন্না মোবেদসকী রেজিষ্টর তৌরবা কন্ট্রেক্টর/ফার্মশিংনা মখোয় মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসনশিং রিন্যু তৌরগদবনি হায়রি।

রিন্যু তৌবগী ফোর্মশিংনা মোবেদসকী চীফ ইঞ্জিনিয়রগী ওফিসতগী মথং থাগী ৩গী নুমিৎয়ুংবদগী মেগী ২ ফাওবগী মনুংদা ওফিস অৱার মতমদা ফংগনি হায়রি। মরম অসিনা রেজিষ্টর তৌরবা কন্ট্রেক্টর/ফার্মশিংনা মখোয় মখোয়গী রিন্যু তৌনবগী ফোর্ম পীশিল্লক্তবদি মখোয়বু মোবেদকী কন্ট্রেক্টর/ফার্মশিংগী লিষ্টতগী কেন্সেল তৌরবনি হায়না লৌগনি হায়রি।

## জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী জি পিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিব কম্মিটিশিং শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৯ (ঐচএনএস) : জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না আর দি এন্দ পি আর লোয়শঙনা পীরকপা চেরোলগী মতুংইন্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হিলঘাট, দিবোং, সোনাপুর, লাতিংখল, বোরোবেক্রা অমসুং জকুরাধোর গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা চেয়রপর্সন/মেম্বরশিং য়াওবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিশিং শেম্লে হায়রি। নৌনা শেম্লবা কম্মিটিশিং অসিগী মতমনা ঙসিদগী পারগা থা ৬ নৎত্রগা মীখলগী মতুংদা লিংলক্কদবা কম্মিটিশিংগী মমাঙ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

## মণিপুর পুলিসকী লোগো লান্না শীজিন্নদনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমদা অয়াম্বা মীচমশিংনা মণিপুর পুলিসকী ইনসিগনিয়া/লোগো ষ্টিকরশিং মখোয় মখোয়গী প্রাইভেট ভেহিকলশিংদা শীজিন্নবা থেংনরে হায়রদুনা মসিনা মরম ওইরদুনা পুলিসনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিংগী দ্যুটি চথবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়রি। অদুগা অসিগুম্বা ইনসিগনিয়া অসিবু লান্না শীজিন্নরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা এমব্লেমস এন্দ নেমস (প্রিভেন্সন ওফ ইমপ্রোপর য়ুজ) এক্ট, ১৯৫০গী সেক্সন ৫গী মতুংইন্না চৈরাক পীবা য়াই হায়রদুনা মীয়ামদা মণিপুর পুলিসকী ইনসিগনিয়া/লোগো ষ্টিকরশিং মখোয়গী গাড়ীশিংদা অরানবা মওংদা শীজিন্নরোইদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী ইম্ফাল সিটি মনুংদা খুদক্তগী অখন্নবা দ্রাইভ অমা চথবা হৌরগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## আই আই টি ইন্দোরগী মহৈরোয়শিংনা...

*লামায় ১গী মখা...* পুৱারীগী তান্কক কয়াবু নৌহৌননা পেন্টিং ওইনা য়েংবা ফংহনবীদুনা মণিপুরগী মরমদা মরু ওইবা খঙবা য়াবা খরা খঙবা ঙম্বা অসি মণিপুরদা লাকপগী মহয় ফংলে হায়নসু ফোঙদোক্লম্বগা লোয়ননা আর কে সী এস ম্যুজিয়ম অসি য়েংলমদ্রবদি মণিপুরদা কোয়রকপগী মপূং ফারম্লোই হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি। মখোয়না অয়েকপা লাইশিং উবদা খূবাক খূদুনা অপেনবা ফোঙদোক্লম্বগা লোয়ননা মতুংদসু মণিপুরদা অমুক হন্না লাকনীংবগী ইহুল অমা ফাওহল্লে হায়না ফোঙদোক্লমখি। মহৈরোয়শিং অসি এন আই টি মণিপুরনা শিন্দুনা ম্যুজিয়ম অসিদা পুরক্তুনা য়েংহল্লখিবনি হায়খি।

## মার্ক হাওকিপতা পীখিবা বেল

*লামায় ১গী মখা...* সীগী সেক্সন ৪৩৯ (২) গী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) ডা. টি ঐচ চরঞ্জিৎকী মায়কৈদগী মার্ক থাংমাং হাওকিপতা ঙরাং কোর্ট অসিনা পীখিবা কম্মন ওর্দর অমদা মহাকপু বেল পীখিবা অদু কেন্সেল তৌবীনবা হায়জরক্লে হায়রি।

লোয়ননা কোর্টনা ঙরাং পীখিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনা নৎত্রগা শেমদোক শাদোকপীনবা হায়জরক্লে হায়বা ৱাফম পল্লদুনা ঙরাং কোর্ট অসিনা মহাকপু বেল পীবিনবগীদমক হায়জরকখিবদগী লৌখৎখিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বি) কেস নম্বর ৩ ওফ ২০২৩ অমসুং ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বি) কেস নম্বর ৪৫ ওফ ২০২৩গা মরী লৈনবা ওর্দর অদু মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা 'কেপ্ট ইন অবেয়ন্স' তা থম্লে হায়রি।

কোর্টকী ওর্দর অসিদা মার্ক থাংমাং হাওকিপপু ঙরাং বেল পীখ্রবসু তোঙান তোঙানবা কোর্ট অসিনা লৌখৎপা বেলগী মেট্টর অনীগা মরী লৈননা মহাক্কী মায়কৈদগী বেল বোন্দশিং ফর্নিস তৌরক্ত্রি হায়রি। লোয়ননা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাগী সুপরিন্টেন্দেন্টগী খূথাংদা মঙোন্দা জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) না ফাইল তৌরল্লিবা প্রেয়র অসিগী মতুংইন্না নোটিস ইস্যু তৌরে হায়রি। মসিগী পাউখুম মথং থাগী ৩ ফাওবগী মনুংদা পীরকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা মেট্টর অসিগী হিয়ারিং চথগনি হায়রি।

## লৈঙাক্না ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা...

*লামায় ১গী মখা...* লোইনমক থেনগৎতুনা লৈরে।

করিগুম্বা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌমীশিংদা থবক ওইনা মথৌ তাবা ঈশিং শোয়দনা ফংহনগে হায়রবদি খুলশিং অসিদা লৈরিবা কেনেলশিং অসি তঙাইফদনা ফুট ২০ লোম পাকথোকহনবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা ফুট ১৫/২০ লোম লুনা তৌথোক্লগা নাকলদা রিটেনিং ৱাল চনবীরবদি হোৎনজমনগী মহয় ফংগনি হায়রি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা কেনেলশিং অসিদি শুপ্নতগী ফুট ১৩ রোমদমক পাকই অদুগা মতম কুইনা শেংদোকপীরক্তবদগী থেনগৎতুনা লোনমক লৈরে হায়রি।

মসিগী মথক্তা চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা লৌ উন্নদবা অমসুং খাসলেন্দ ওইনা লৈরিবা মফমশিংদা অচৌবা লৌ শঙম অমা নৎত্রগা লৌরাকমুক চাওবা পুখ্রিশিং ফুট ২০/৩০ রোম লূনা তৌথোকপীরগা থন্বীরগদি নোংগী ঈশিং খক্তা নক্তনা কেনেলদগী লাকপা ঈশিংশিং ফাজিন্দুনা য়োকপসু য়াগনি হায়রি। থবক অসি পায়খৎলবদি নোং চুরক্তবা মতমদা হায়রিবা পুখ্রিশিং অসিদগী পাইপ শীজিন্নদুনা ঈশিং পুরক্লগা মহৈ-মরোংগী মথৌ তারকপদা লৌমীশিংনা শীজিন্নবা ঙমগনি হায়রি।

লোয়ননা লৌমী খরনসু ফোঙদোক্লরকখিবদা মমাঙঙৈদদি অহল লমনশিংনা খুল/লৈকায় খুদিংগী অচৌবা পুখ্রি ২/৩ লূনা তৌরগা ঈশিং য়োক্তুনা থম্লম্মী। মদুদগী থক্লবা ঈশিং ফাওবা লৌবগা লোয়ননা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনরম্মী। অদুবু হৌজিক্কী মীরোলনদি লৈকায়দা হান্না লৈজরম্বা পুখ্রি ফাওবা ফূনজিল্লগা চাওখৎ থৌরাংগী মীংদা কৈথেল, কম্যুনিতি হোল, ক্লব অমদি তোঙান তোঙানবা য়ুম-কৈ কয়া শাজিন্নরকপনা ঈশিং য়োকশিন্নবগী মফম ময়েং তারকপনি। মরম অসিনা হান্না লৈরম্বা ৱাটর বোদিশিং অমুক নৌহৌননা হিঙ্গৎহন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবসু লৈরে হায়রি।

ৱাখল্লোন অসিমক মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদসু চেনবগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামদসু চেনবগী তঙাইফদবা লৈরে। থবক অসি নৎত্রবদি কুমগী নোং খক্তমক ঙাইরগা লৌ উবা অমসুং মনা-মশিং থাগনি হায়দুনা লৈথোকপনদি কুম কাংবা মতমদদি খম থেংবা অৱাবা পূম্নমক মীয়াম্না পূন্না মায়োকমিন্নগনি হায়নসু লৌমীশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

## মিনিষ্ট্রিনা মীৎ-না শীংনা লৈনবা খঙহল্লক্লে...

*লামায় ১গী মখা...* তৌদুনা লৈগদবনি হায়খি।

সাইন্টিষ্ট অমসুং সবজেক্ট এক্সপর্টশিংনা মীয়ামদা কান্নগদবা কয়া পুথোরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবনি। ঐখোয় পূম্নমক্কী নুমিৎ খুদিংগী পুন্সিদা অসিগুম্বা সাইন্টিফিক রিসর্সশিং অসিনা লেপ্তুনা অহোংবসু পীরিবনি হায়খি। মরম অসিনা ঙসিগী অসিগুম্বা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা কনফরেন্স অসিনা সাইন্টিফিক দিভেলপমেন্টগী মতাংদা খ্বাইদগী থেংনা হোংলক্লিবশিংগী মতাংদা খন্ননবগীদমক য়াম্না মরু ওইবা কনফরেন্সনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এম য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রোনা অসিগুম্বা কনফরেন্স অমা শিন্দুনা পাঙথোকপগীদমক এল্যুমনাইবু তৌবীমল খঙবা উৎখি। লোয়ননা মখোয়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদেমিক অমসুং সাইন্টিফিক্কী ওইবা পূক্নিং লৌশিং কয়া পুশিল্লক্লবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাংশিং লৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী নেসনল কনফরেন্স অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেমিষ্ট্রি এল্যুমনাই এসোসিএসন (এম য়ু - সী এ এ) গা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিদনা পূন্না খূৎশম্নদুনা শীনবনি।

থৌরমগী মনুং চন্না হেন্দ সেনিটাইজরশিং পুথোকখিবশিংদা এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি। কনফরেন্স অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী স্কুল ওফ মেথমেটিকেল অমসুং ফিজিকেল সাইন্সেসকী দিন প্রোফেসর এস দোরেন্দ্রজিৎ, দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী হেদ প্রোফেসর এন রাজেন অমসুং অতোপ্পা ফেকলটিশিং অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবদি, খ্বাইদগী ইকোন কোন্না মহারাষ্ট্রদগী ৩, কর্ণাটকাদগী ১ অমসুং কেরলাদগী মীওই ৩ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা থারগা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৫,৩০,৮৪৮ শুরে অদুগা পেন্দমিক অসিনা লৈবাক অসিদা য়ৌশিল্লকখিবদগীনা হৌজিক ফাওবদা পোজিটিভ ওইহনখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪,৪৭,০৯,৬৭৬ শুখিবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদগী নাবা ফ্নাৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪,৪১,৬৬,৯২৫ শুখ্রবনি। অদুগা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ওইনা কাপথোকখ্রবা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ মশীংনা ক্রোর ২২০.৬৫ য়ৌরে। মসিগী মনুংদা ক্রোর ৯৫.২০না সেকেন্দ দোজ ওইরগা ক্রোর ২২.৮৬না প্রিকোসন দোজশিং ওইরিবনি হায়নসু হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

## নম্বোল এ সীগী হান্নগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেনগী...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্কী লোয়নবগী ওইনা এল আই সী পোলিসিদা লুপা ৫,৯৪,৪৩১; অনীশুবা এল আই সী পোলিসিদা লুপা ১০,৫৯,৭৪৬ অমদি অহুমশুবা এল আই সী পোলিসিদা লুপা ৫,৫৫০ ইনভেষ্ট তৌখি। মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০১০দা চাওরাক্লা লুপা ৫,৫৯,৪৮৪ রোম ওইগদবা মারুটি জিপসি কিং অমা লৈখি। মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা কুমজা ২০২১দা চাওরাক্লা লুপা ৭,১৫,০০০ লোম ওইগদবা ট্রাইবর আর এক্স জেৎ অমা লৈখি। কুমজা ২০১৫দা চাওরাক্লা লুপা ২২,৩৪,৯৭১ লোম ওইগদবা মহিন্দ্র রেক্সটোন অমা লৈখি। মহাক্কী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ৬,৫০,৮৮৮ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ১৫০ লৈ। লোয়নবীগী মীংদনা চাওরাক্লা লুপা ১২,১৪,৯৯১ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ২৮০ লৈ। মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গনদা এম ২০ পিষ্টোল অমদি লোয়নবীগী মীংদা এন পি বি পিষ্টোল অমা লৈ। নামৈরাকপম লোকেনগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ৫৭,৭৩,৯১৯ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবী মাইবম উশাগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফমনা লুপা ৬৬,০০,০৮২ ওইখি।

মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচরেল অমদি নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দ অমত্তা লৈতে। অদুবু মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা কিয়ামদা একর ০.৩১০০১; একর ০.২৮; একর ১.০৩; একর ০.৬২; একর ০.৬২; একর ০.৬৮; একর ০.৬৩; একর ১.২৭; একর ১.৬৩; একর ০.৬৩; খাথোংদা একর ০.৪৮; একর ০.৭৭; একর ২.০২; একর ০.৫৫; একর ০.৬১; কক্ময়াই লাংপোক্তা একর ০.৭৬ অমদি একর ০.৬২; কবোৱাকচিংদা একর ০.৬২ অমদি একর ০.৬২ অমদি নম্বোলদা একর ২.৫ অমসুং একর ০.৪৫ রোম পাকচাওবা এগ্রিকলচরেলগী লেন্দশিং লৈ। লোয়নবীগী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দদা শঙাইপ্রৌদা স্কৱার ফিট ৯,৬৯২ অমদি স্কৱার ফিট ১০,৫৬৮ লোম পাকচাওবা লমশিং লৈ। মখোয় অনীগী মীংদা কমর্সিএল বিল্ডিং অমত্তা লৈতে। মহাক্কী মীংদা লৈমপোকপমদা স্কৱার ফিট ৮,২৭৬.৪ লোম পাকচাওবা লমদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা শঙাইপ্রৌদা স্কৱার ফিট ১১,৮৪৮ পাকচাওবা লমদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং লৈ। মসিগী মথক্তা কলাগুরু বিশু গুৱাহাটিদা স্কৱার ফিট ১,৮১৮.৯ অমদি দেলিদা স্কৱার ফিট ১,৮৯০ রোম পাকচাওবা ফ্লেটশিং লৈ। মহাক্কী টোটেল ওফ মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ১,৭৭,৭১,০৮৭ অমদি লোয়নবীগী টোটেল ওফ মার্কেট ভেল্যু অসিনা লুপা ৫,৪৫,২৪,৫২০ ওইখি। মহাক্কী লোয়নবীগী গ্রান্ট টোটেল ওফ লাইএবিলিটিজনা লুপা ৫,০৭,৩১১ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে। কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইলগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৬,৭১,৩২০ ওইখি। অদুগা লোয়নবগীসু চহী অসিমক্কী ওইনা টোটেল ইনকম অসি লুপা ৮,৮৬,৩৪০ ওইখি।


### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 124/SDC/IW-L/2023**

1. Namoijam Kumar Singh S/o (L) Ibocha Singh of Taothong Khunou
2. Namoijam Megha Singh S/o (L) - do - of - do -
3. Namoijam Pishakmacha Singh S/o (L) - do - of - do -
4. Namoijam Sidam Singh S/o (L) - do - of - do -

- Petitioners

-VS-

Late Ayekpam (N) Ibethoi Devi D/o (L) Gulamjat Singh of Taothong - OP/Party

**NOTICE**

28/03/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অয়েকপম নিংঙোল ইবেথোই দেবী পীতা মৃত গুলামজাৎ সাং তাংথোংগী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৫-তাওথোংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৪ দাগ নং ৩৩৮ এরিয়া ৩.২৮ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোট অসিদা দরখাস থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈতে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/6385/30

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 129/SDC/IW-L/2023**

1. Namoijam Kumar Singh S/o (L) Ibocha Singh of Taothong Khunou
2. Namoijam Megha Singh S/o (L) - do - of - do -
3. Namoijam Pishakmacha Singh S/o (L) - do - of - do -
4. Namoijam Sidam Singh S/o (L) - do - of - do -

- Petitioners

-VS-

Late Ayekpam (N) Namoijam (O) Ibethoi Devi D/o (L) Gulamjat Singh of Lamsang Bazar - OP/Party

**NOTICE**

28/03/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অয়েকপম নিংঙোল নামোইজম ওংবী ইবেথোই দেবী পীতা মৃত গুলামজাৎ সাং লমশাং বাজারগী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫২-লাইঙামখুলগী অনৌবা পাট্টা নং ১ দাগ নং ৬৭ এরিয়া ২.১৮ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোট অসিদা দরখাস থারক্লে। মর মঅসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈতে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/6385/30


## CROSSWORD-3827



**ACROSS**
1. Needed(8)
6. Crazy(3)
9. Big(5)
10. Furthermore(7)
11. Australian wilderness(7)
13. Annoyed(5)
14. Empty space(6)
15. Shortness of sight(6)
18. Injure with hot liquid(5)
20. Formerly, a British soldier(7)
21. Heighten(7)
22. Strap(5)
23. Male child(3)
24. Stretched(8)

**DOWN**
2. Haphazard(7)
3. Function(3)
4. Reproach(6)
5. Wrecked(9)
6. Pattern(5)
7. Handicap(12)
8. Veins and arteries(5,7)
12. Plentiful supply(9)
16. Raise to a higher grade(7)
17. Passionate(6)
19. Drained of colour(5)
22. Heavy weight(3)

**Solution 3826**




**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5125

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | 2 | | | | | 8 |
| 8 | | 7 | | | | 2 | | 5 |
| | | | 8 | | 7 | | | |
| | | 9 | 5 | | | | | |
| | 7 | 2 | | 6 | | 5 | 9 | |
| | | | | | 4 | 7 | | |
| | | | 4 | | 2 | | | |
| 5 | | 4 | | | | 8 | | 1 |
| 7 | | | | | 6 | | 3 | |

### Solution-5124

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 3 | 8 | 4 | 9 | 7 | 6 | 5 | 2 |
| 7 | 6 | 9 | 5 | 8 | 2 | 3 | 1 | 4 |
| 2 | 5 | 4 | 3 | 6 | 1 | 8 | 9 | 7 |
| 9 | 8 | 1 | 2 | 4 | 5 | 7 | 3 | 6 |
| 5 | 7 | 6 | 1 | 3 | 8 | 2 | 4 | 9 |
| 3 | 4 | 2 | 6 | 7 | 9 | 5 | 8 | 1 |
| 8 | 1 | 3 | 9 | 2 | 6 | 4 | 7 | 5 |
| 4 | 2 | 5 | 7 | 1 | 3 | 9 | 6 | 8 |
| 6 | 9 | 7 | 8 | 5 | 4 | 1 | 2 | 3 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2023 FOR 14 FIELD COORDINATOR

Assam Agricultural University Field Coordinator Recruitment 2023: Advertisement for the post of Field Coordinator in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 07 April 2023. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2023 Field Coordinator Vacancy 2023 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2023 page.

Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.

Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Field Coordinator
Field Coordinator
Job Location:
Assam Agricultural University, Jorhat, 785013 Assam
Last Date: 07 April 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 14 Posts
Assam Agricultural University (AAU)

| Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2023 | Details |
|---|---|
| Company | Assam Agricultural University |
| Job Role | Field Coordinator |
| Education Requirement | Any Graduate |
| Total Vacancy | 14 Posts |
| Job Locations | Jorhat |
| Experience | Fresher |
| Salary | 18000(Per Month) |
| Posted on | 25 Mar, 2023 |

Educational Qualification: Any Graduate
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 18000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Field Coordinator in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2023 before 07/04/2023 The procedure to apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2023 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit Assam Agricultural University official website aau.ac.in
Step 2: Search for Assam Agricultural University Recruitment 2023 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2023
Important Dates:
Published on: 27 March 2023
Last date for application is: 07 April 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2023 FOR JUNIOR ENGINEER AND VARIOUS POSTS

Vacancy Circular No: -
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) Junior Engineer and Various Posts Recruitment 2023
Advertisement for the post of Junior Engineer and Various Posts in the Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 20th April 2023. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) Recruitment 2023 Junior Engineer and Various Posts Vacancy 2023 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2023 page.
The Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Assam. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Engineer and Various Posts
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781039 Assam
Last Date: 20th April 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 07 Posts
Educational Qualification:
Deputy Registrar: A post-graduate degree with at least 55% marks or its equivalent grade of 'B' in the UGC 7 point scale.
Senior Medical Officer: MD preferably in general medicine with 3 years experience or MBBS with 7 years experience, as a medical officer in a reputed hospital.
Senior Security Officer: Commissioned Officer of Military/Para-Military Services or Deputy Superintendent or Assistant Commandant of Police/ Security Force having a Bachelor's degree from a recognized university with at least 10 years' experience in the Police/ Security Services.
Junior Engineer: Bachelor's Degree in Civil or Electrical Engineering or equivalent. OR, Diploma in Civil or Electrical Engineering with 3 years' experience.
Pay Scale: INR Level-12/- Per Month
Age Limit: Not more than 55 years.
Application Fee: Applicants will have to make payment of a non-refundable application fee through online mode only. Fee payable by the applicant are as follows:
For the Posts Sl. No. 1, 2 & 3 - Rs.500/- (for General/ OBC/ EWS candidates) and Rs.250/- (for SC/ST/PwD candidates).
For the Post Sl. No. 4 - Rs.300/- (for General/ OBC/ EWS candidates) and Rs.150/- (for SC/ST/PwD candidates).
Women applicants are exempted from payment of application fee.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://online.iitg.ac.in/ recruitment/ (This Job Source is Employment News 25-31 March 2023, Page No.10).
Important Dates:
Published on: 22nd March 2023
Last date for application is: 20th April 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

